ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

WAYEL KATI

Vol. 1, Issue 324 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৪ | ইম্ফাল, ইঙাগী ৩ নি পানবা, লৈবাকপোকপা, মে ১৯,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।-

## পেত্রোল, দিজল লিটরদা পৈশা ৯০ হেঙ্গৎখ্রে

ইম্ফাল মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ চয়োল অমগী মনুংদা ২রকশুবা ওইনা পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেঙ্গৎখ্রে। ওইল কম্পেনিশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না পেত্রোল অমসুং দিজল লিটরদা পৈশা ৯০গী চাংদা হেঙ্গৎলে। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু পেত্রোল অমদি দিজল লিটর অমদা লূপা ৩ হেঙ্গৎখিবনি। ৱেষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা পেত্রোল্লিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল হেঙ্গৎলকপনি।

## পদ্মাশ্রী এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল মে ১৯(ৱায়েল কাতি)ঃ লৈখিদ্রবা য়ুম্নাম যাত্রা সিংহদা চহী অসিগী পদ্মাশ্রী এৱার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মে ২৫ দা রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এৱার্দ অসি লাম্থোক্কনি হায়রি। জে এন দান্স মণিপুর একাদেমিগী গুরু ওইরম্বগা লোয়ননা নট সঙ্কির্ত্তনগী লমদা শক্নাইরবা মীওই অসি লমদম অসিগী নাৎ অমসুং কলচর চাউখৎহন্নবা হোৎনবগীদমক ষ্টেট অমদি নেস্নেলগী থাক্তা এৱার্দ কয়া পীরকপা লৈখ্রে।

## বাইক রেল্লি চৎকদৌরি

ইম্ফাল মে ১৯(ৱায়েল কাতি)ঃ কুকি-নার্কো টেরোরিষ্টশিংদগী মণিপুর কন্সি হায়বা পাউজেল পুরদুনা কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা শীন্দুনা লাক্লিবা মে ২৪ নোংমাইজিং নুমিৎক অয়ূক পুং ৮দগী বাইক রেল্লি অমা চৎকদৌরি। বাইক রেল্লি অসি সেকমাইদগী হৌরগা খোঙ্তাম্পাং, চীংমৈরোং, খোঙ্নাংঅনি কারক, থাংমৈবন্দ, লিলাশিংখোংনাংখোং, য়ুমনামখোং, নাগামপাল, ৱাঙ্খেই লৈকায়, কৈশম্পাৎ, বিষ্ণুপুর, মৈরাং, কুম্বীনচিংবা ফাওদুনা লাক্নগা খুমন লম্পাক্তা লোইশিনগনি হায়রি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ ঙসি লাইশ্রম অঞ্জনা দেবী অপোকপা এল সোমেন সিংহ অমসুং অপোকপী এল প্রেমলতা দেবী খাঙবোক পার্ট-বান স্কুলাকুম লৈকায়গী ২৩শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা লাইওন্স ক্লব থৌবাল গ্রেটর সের্পন্ড, এসোসিয়েসন ভলন্টরি ব্লদ দোনর মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ লোয়ননা ব্লদ সেন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল খাঙবোকক্কা পূন্না খূৎশম্নদুনা ব্লদ সেন্টর অসিদা পাঙথোকখ্রে। ঈ পীবগী থৌরম অদুদা এ ভি বি দিগী থৌমী, দোমর অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়ানা ঈ পীখি। পনবা য়াবদি, লাইশ্রম অঞ্জনা দেবী অসি এভিবিদিয়ান অমা ওইৱগা লোয়ননা মশামক্কী ১০শুবা ওইনা ঙসি ঈ পীখি।

## হয়েংগী নোংদম

২০। ০৫। ২০২৬

-এষ্ট্রো-কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ - পন্দুনা লৈরম্বা থবকশিং থুনা য়াংনা লোইশিনবা ঙমগনি। চাংচৎতা শেল লাক্কনি।

বৃষ - ওফিসকী থবক অমসুং লল্লোন ইতিক চাউখৎচগনি। শেনফম লাক্লবা হোৎনবা য়াগনি।

মিথুন- ঈ-পাউ ফাওনবা অমসুং থুনা য়াংনা ৱারেপ লৌবা কান্নগনি। অপীকপা শেনফম ফংবা য়াই।

কর্কট-পূক্নিংগী ঈহুলদা ৱারেপ অমত্তা লৌবা য়াদে। খুদক্কী ওইনা শেল চৎলু হায়বা লৈ।

সিংহ- মীয়ামগী থবক থৌরম তৌবা কান্নজগনি। শেল থুমগী লন্বী ফগৎচগনি।

কন্যা- মহৈরোইশিং অমসুং ওফিসকী থবক তৌরিবশিংগীদি অফবা লৈ। শেল তুংশিনবা ঙমজগনি।

তুলা- ময়াম পুনশিল্লগা থবক তৌবদা কান্নজগনি। অরু-অহেনগী পোৎলম লৈগনু।

বৃশ্চিক -পূক্নিং ফাথরগা তৌগদবা থবক্তুদং তৌজৌ। ঙসিগী ওইনা শেল থাদবা য়াদে।

ধনু- থবক্কী মরমদা লম চৎপগী খূদোংচাবা ফংগনি। শেল থুমগী ফিভম তপ্না ফগৎকনি।

মকর- থবক কন্না শু নোম্বজবগী মহয় ফংজরগনি। হকচাংগী ওইনা খূ নাবা পীরি।

কুম্ভ- থাজদবা মওংদা অপীকপা শেল ফংবা য়াই। মুন্না খন্থরগা থবক তৌরগদি মায় পাক্কনি।

মীন - চাদিং তৌবদা য়ান্না চেকশিল্লু। লাইনিং লাইশোনগী থবকশিং পাঙথোকচবা ঙমজগনি।

## কুকিনা ফাখিবা নাগা ৬ থাদোরক্নবা রেল্লি চংখ্রে, হয়েংনা ৱাকং মীফম ফমদৌরি




ইম্ফাল মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ লৈমখোং আর্মি কেম্পতগী ইনক নক্না লৈবা লৈওন বাইফৈদা কুকি মীচম মীয়াম্না নমদুনা গাড়ী খামহল্লগা ফাজিনখিবা নাগাশিং থাদোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি কৌব্রু রেঞ্জ রেঞ্জ লিয়াংমৈ ৱুমেন্স য়ুনিয়ননা শীন্দুনা ঙসি মখান ভিল্লেজতগী নমদাইলোং ভিল্লেজ গেট ফাওবা ৱাকং খোঙচৎ চংখ্রে।

ৱাকং খোঙচৎ অদুদা মখান ভিল্লেজতা লৈবা এরিস ট্রুমাইনা মরী লৈনবা ওথোরিতিগী মীৎয়েং চঙশিল্লদুনা নাগা মচা ৬ অদুবু কনবীনবা আপিল তৌরক্লি। কুকিশিংনা ফাজিল্লগা থল্লিবা নাগাশিং অদু হেক থাদোক্ত্রিবমখৈ কাঙলূপ অনী অসিগী মরক্তা উংখৎনদুনা লৈরিবসি ইংথৌ হায়বা য়ারোই। মখোয়বু কনবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী তঙাইফদবা থৌদাংনি।

মরক অসিদা, নাগা ৱুমেন্স য়ুয়িননা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না মরাল লৈজদবা নাগা মীচম ৬ অদু থাদোরক্কদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা হয়েং অয়ূক পুং ১০ তাবদগী নাগাশিংনা নম্না তাবা মফম পূম্নমক্তা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়রি। মখোয়গী প্রোটেষ্ট অসিদা দিমান্দ অনিখক তৌগনি। দিমান্দ অমনা, হোষ্টেজ খূদিংমক অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা থাদোরক্কদবনি। অদুগা অতোপ্পা দিমান্দ অমদা লৈলোন বাইফৈ ভিল্লেজদা নাগাশিং ফাজিনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং, মিলিটেন্ট গ্রুপকী কাদরশিং ফাগদবনি অমসুং লোগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎকদবনি। পনবা য়াবদি, থিবা খঙদনা লৈরিবা নুপা ৬ অদুগা ফামিন্নরুবা নুপীশিং অদুনা মেদিয়াদা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়বু লৈলোন বাইফৈগী নুপী অমসুং নুপা খুঞ্জাশিংনা ইহান হান্না ফাবনি। অদুগা মখোয়বু ফাজিন্দুনা থন্নবা তুংদা খূৎলায় পায়বা কুকি টেরোরিষ্টশিং কৌরগা মখোয়না শীন্নবনি। মরম অদুনা লৈলোন বাইফৈগী নুপী অমসুং নুপাশিং ফারগা মখোয়না শীন্নখিবশিং অদু কন্না কন্নাদনো হায়বা লোইনমক খঙগনি। মখোয়বু ফারগা পুখিবদা শিংগৈবাক ২ অমসুং য়োম্পাক য়াওখিবনা হাৎলন্নগদ্রা হায়বগী চীংনবা লৈ।

## ফাজিন্দুনা থল্লিবশিং কন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন চথরি

## ফাজিনখিবা মীচম মীয়াম কন্নবনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীংগী মফম কয়াদা কোম্বিং ওপরেসন চথবা হৌখ্রে



ইম্ফাল মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ থাদৌ বেপ্টিষ্ট চর্চকী লূচিংবা ৩ হাপ্তবা মতুংদা কুকিশিংনা ফাজিনখিবা নাগাগী মীচম ৬কী পুন্সি কন্নবনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন বাইফেদা ওপরেসন চথবা লেপ্লে।

লাম্মীগী পার্সনেলশিং অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা ফিফম দোগ শীজিন্নদুনা চীংয়াং, চীংথা অমসুং লোকচপশিংদা থি-হুম্মী থবক চথরি। অদুগা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৬ অদুগী লিখুন পুথোকপা ঙম্দ্রি। মরক অসিদা কুকিগী ওর্গনাইজেসনশিংনা নাগাগী মীওই ৬ অদু মখোয়গী কষ্টদিদা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্নে।

মণিপুর বেপ্টিষ্ট কনভেন্সন, কাউন্সিল ওফ বেপ্টিষ্ট চর্চেস ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া, এসিয়া পেসিফিক বেপ্টিষ্ট ফেদরেসন অমসুং ৱার্ল্দ বেপ্টিষ্ট এল্লায়েন্সে য়াওনা তোঙান তোঙানবা বেপ্টিষ্ট খৃষ্টান এপেক্স বোদি ১০গী লূচিংবশিংনা ঙসি সেনাপতিদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল, নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন অমসুং অতৈ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা উন্নদুনা নাগা ৬ হৌজিক ফাওবা থাদোরক্তবগী মতাংদা কুপ্না নৈনখ্রে।

ফাজিন্দুনা থল্লিবশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্তদবনি হায়না তকশিল্লদুনা চর্চকী লূচিংবশিংনা হায়খি, মরাল লৈজদবা মীচম ফাজিনখিবগী থৌওং অদুনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থাজনদবা হেঙ্গৎহনবগা লোয়ননা মীচম মীয়ামদা মীপাইবা পোকহল্লে। অমনা অমবু ঙাকপীদুনা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিনহনবা লোয়ননা মণিপুরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহনবা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা হোৎনরিবা মথৌ তাই হায়নসু চর্চকী লূচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা, কাউন্সিল ওফ বেপ্টিষ্ট চর্চেস ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি রেভরেন্দ ডাঃনমশেং আর মরকনা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মীপূম খূদিংমক অৱাবগী ঈপাক্তা ঈরাক্লহল্লে। মরু ওইনা ফাজিনখ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা থেংনরিবা অৱাবশিং য়েংহৈদবা ফিভম অমা ওইরক্লে। মীপুম খুদিংমক্না হৌশিবা থৌনেকশিং কাউথোক্লদুনা অমসুং ঙাকপীবগা লোয়ননা তুংগী মীরোলগীদমক লমদম অসিদা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিনহনবা হোৎনফম থোকই হায়নসু মহায়া ফোঙদোকখি।

তোঙান তোঙানবা চর্চকী লূচিংবশিংনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা মরকনা হায়, কাঙলূপকী থেয়বা থাদোরক্লগা নাগা অমসুং কুকি যুরুপকী মীওইশিংনা পুল্লিং ফাথবগা লোয়ননা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না আপিল তৌনবা তোঙান তোঙানবা বেপ্টিষ্ট খৃষ্টানশিংনা এপেক্স বোর্দিশিংনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা, হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীচমশিং তেঙ্কা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)না থাদোরকপা চেরোল অমনা আপিল তৌরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা মীচমশিং অথুবা মতমদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শীন্নবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়রি।

### মপাল্লমগী পাউ

## সেন দিগোগী মোস্কতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই ৫ শিরে

কেলিফোর্নিয়া, মে ১৯(ৱায়েল কাতি)ঃ কেলিফোর্নিয়াদা লৈবা ইস্লামিক সেন্টর ওফ সেন দিগোদা মীওই ২ না নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকপদা সেক্যুরিতি গার্দ ১ য়াওনা মীওই ৫ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন দিগো কাউন্টিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ইস্লামিক সেন্টর অদুদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা লাই খুরুমদুনা লৈবা মীওইশিং মীপাইবা পোক্লখি। ইস্লামিক সেন্টরগী মনাক নক্না লৈবা মহৈলোইশঙ অমগী পীক্লিবা অঙাংশিংসু মীপাইদুনা চেন্থোক্লখি। লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা মহৈরোই অমত্তা অশোক-অপন নংহৌদ্রে। মোস্কতা নোংমৈ কাপশিল্লকপনি হায়বা মশাগী চহী ১৭ অমদি ১৯ শুরবা মীওই ২সু থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে হায়না সেন দিগোগী পুলিস চীফ স্কোটৱালনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চথবা ইনভেষ্টিগেসনদা মতেং পাংহন্নবা এফ বি আইগী এজেন্টশিং মফম অদুদা থুংলখি। করি মরমগী ইস্লামিক সেন্টরদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

## কেমিষ্টশিংনা হয়েং ষ্ট্রাইক তৌগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ ওল ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন ওফ কেমিষ্ট এন্দ দ্রগিষ্টনা হয়েং লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ওনলাইনগী খূৎথাংদা হিদাক লাংথক য়োনবগী থৌওং চথরকপা অমসুং ই-ফার্মাসি প্লেটফোর্ম কয়া হাংদোক্তুনা অতাবা মমলদা হিদাক য়োল্লকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং অসি চঙশিনগদবনি হায়রি। খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা হয়েং ফার্মাসি, মেদিকেল ষ্টোর অমদি হোলসেলদা হিদাক য়োল্লিবা দুকান পূম্নমক থোঙ লোনগদৌরি। কাঙলোন লৈতবা মওংদা মীওই খরনা ওনলাইনদা হিদাক লাংথক য়োল্লকপনা হান্নদগী ফার্মাসি অমসুং হিদাক লাংথক য়োনবগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লে। লৈঙাক্না হন্দক্তা থোকখিবা নোটিফিকেসন অনিনা তোঙান তোঙানবা ই-ফার্মাসি প্লেটফোর্ম হাংদোক্লবগী অয়াবা পীখিবগী থৌওং অদু ওল ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন ওফ কেমিষ্ট এন্দ দ্রগিষ্টনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। ই-ফার্মাসি প্লেটফোর্মশিংনা অতাবা মমলদা মখল খূদিংমক্কী হিদাক লাংথকশিং য়োনবগী থৌওং চথরকপনা কেমিষ্ট অমসুং দ্রগিষ্টশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। অথুবা মতমদা লৈঙাক্না ই-ফার্মাসি প্লেটফোর্মশিং থিংজিনগদবনি হায়রি।

## কোকোমিনা তেংবাংখ্রে, গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা পীরম্বা থাজবা অমফাওবা থবক্তা ওন্থোকহৌদ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯(ৱায়েল কাতি)ঃ কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা তাঙ্খুল নাগা ফুরুপনা খুন্দাবা জেদ চোরো, নম্লি অমদি ৱাংলিগী য়ুম কয়া থা অসিগী ৭কী অঙনবা অয়ুক্তা মৈ থাদোকপীরল্লবা মতুং ঙরাং কোকোমিগী মীহুৎশিংনা হকথেংননা চৎতুনা অচা-অথক অমদি নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

মৈ থাবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং য়েংশিনবা লাক্লম্বা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা থাজবা পীরম্বা ৱাশিং থবক্তা ওন্থোকপীদ্রে। মণিপুরগী চীদাইদা ঙমখৈ ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিং অসি মণিপুরী নৎত্রবরা হায়না জেদ চোরোগী চেয়রমেন ইন চার্জ কোনাপ অন্সারিনা ফোঙদোরক্লি।

কোকোমিগী মতেং পাংবগী খোঙচৎ অসিগা মে ৭তা থোকখিবা থৌদোক অসি মঙদা ফাওবা মঙলুদবনি। ঐখোয় ঙমখৈদা খুন্দাজরবসু ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমনি।



লোয়ননা য়ূম্লোন্নবা ম্যান্মারদা লৈবা মীয়ামগা য়েক্লবসু লৈতে। বর্মাগী ঈরাংথোকপা মতমদা লাঞ্জেন্নরকপশিং অদুগী অচা অথক পীবা নত্তনা মতম খরগী চঙজফম ফাওবা পীরল্লিবনি। অদুবু মে ৭কী অয়ূক পুং ৪ রোম তারকপা অদুৱাইদা বোর্দরদগী নোংমৈ কাপ কাপ্তুনা লাক্লগা লান্দাবা হৌরকখিবনি। থৌদোক অসি থোকপগী মখোল তারবসু মনাক নক্না লৈবা এ আরগী পার্সনেলশিংনা খুঞ্জাশিংগী মতেং পাংখিদে হায়খি।

## ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা এনিমেল বার্থ কন্ত্রোল সেন্টর হাংদোক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা এনিমেল বার্থ কন্ত্রোল সেন্টর হাংদোক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা খঙহনখ্রে। থাদোক্লগা থল্লিবা হুইশিং ফাজিন্নবগী মতাংদা কুমজা ২০২৫ কী নবেম্বরদা পীখিবা য়াথং অদু শেমদোকপীনবা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমগী হিয়ারিং চথরবসু মতুংদা কোর্টনা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি।

থাদোক্লগা থল্লিবা হুইশিং লাকশিন্নবগী মতাংদা এনিমেল ৱেলফেয়ার বোর্দ ওফ ইন্দিয়ানা শেন্বা কাঙলোন ঙাক্লবসু কোর্টনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা খঙহনখি। কোর্টনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা মী কুংনা খূন্দাবা মরমনা হুইশিং থাদোক্লগা থন্বনা খূদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। হুই মচা পোকপগী চাং হন্থহন্নবা তঙাইফদনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা এনিমেল বার্থ কন্ত্রোল সেন্টর হাংদোক্কদবনি। নেস্নেল হায়ৱেশিংদা শা-ষণ থাদোক্লগা থল্লিবশিং থিংনবগী মতাংদা নেস্নেল হায়ৱেজ ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা মথৌ তাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়নসু খঙহনখি। এপেক্স কোর্টনা হায়খি, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা হায় কোর্টশিংনা 'সুও মোতু' কেস লৌখৎলগা লন্বীদা থাদোক্তুনা থল্লিবা শা-ষণশিংনা থোকহল্লকপা খূদোংথিবশিংদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। ওগষ্ট ৭ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা চীফ সেক্রেটরিশিংনা মশা মশাগী ষ্টেটতা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বগী রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

## পুং ২৪দা মীওই ৩ দেঙ্গি পোজিটিভ ওইরে, অপূনবা মশিং ৩৩ শুখ্রে

ইম্ফাল মে ১৯(ৱায়েল কাতি)ঃ হৌখিবা পুং ২৪দা মণিপুরদা দেঙ্গিগী পোজিটিভ মশিং ৩ হেঙ্গৎলক্তুনা চহী অসিগী ওইনা দেঙ্গিনা নাবা অপূনবা মীগী মশিং ৩৩ শুখ্রে।

নৌনা পোজিটিভ ওইরকখিবা মীওই ৩ অদুগী মনুংদা ২না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি, অদুগা অতোপ্পা মীওই অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগীনি। চহী অসিগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই ১৭ দেঙ্গি পোজিটিভ ওইদুনা লায়না অসিনা নাবা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই ৫ পোজিটিভ ওইখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি পোজিটিভ ওইবা মীগী মশিং ৭ শুখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লায়না অসিনা মীওই অমত্তা শিবা লৈত্রি।

দেঙ্গি হায়রিবা লায়না মখল অসি এন্দিস হায়না খঙনবা কাঙ অমোম মখল অমনা শন্দোকপনি। অনাবা মী অমদা কাঙ মখল অসিনা চীকপদা ভাইরস অসি কাঙ অদুদা য়াওরকই। হায়রিবা কাঙ অদুনা নাদবা মীওই অমদা চীকপদা ভাইরস অদু মীওই অদুদা চঙহৌই। অসুম্না নুমিৎ হুমনিদগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লাইচৎ অসি লায়ওং উৎথোরকই।

## অরুনকুমারঃষ্টেটসিদা তংদু লৈতাবা ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনরি

ইম্ফাল মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভমদা হঞ্জিন্না লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্কদবা নেস্নেল হায়ৱেশিং থিংজিনবগী হৈনবী থাদোক্লসি। লোয়ননা হৌজিক কাঙলূপ অনিনা ফাজিন্নদুনা থল্লিবা মীওইশিং অথুবদা থাদোকপীয়ু হায়না ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী সোইবম লৈকায়, ৱাংখৈ খুন্নৌদা লৈবা সিটিজেন ক্লবসকী শঙলেদা পাঙথোকখিবা 'ফ্রি মেদিকেল কেম্প অমগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল চনুরা, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সিতি, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল পেরাদাইজ, সিটিজন ক্লব, দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকা পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা মেদিকেল কেম্প অদুদা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা লৈঙাক্না হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা মখা তানা ঈরাং থোরল্লিবা অসিমক লাইবক থীবনি। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা মীচম মীয়াম ফাওবা ফাজিন্নরিবা অসি তৌবীগনু হায়না আপিল তৌখি।

## নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা উ থাবগী কেম্পেইন অমা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল মে ১৯(ৱায়েল কাতি)ঃ চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ফেসোক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী থৌমীশিংগা অমদি দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার দি এফ ও, থৌবালগা খূৎশন্নদুনা ফেসোক হেদ ওফিসকী লীচিং মখাদা 'তুংগী মীরোলগীদমক অশংবা মালেম অমা ওইহল্লসি' হায়বা পান্দমদা মে ১৮দগী মে ২৭ ফাওবা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং লৈবা মহৈলোইশঙশিংদা উ চরা থাবগী থৌরম অমা ঙরাং ৱাংজিং হায়স্কুল, লমদিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ৱাই কে কোলেজতা হৌদোকখ্রে হায়রি। ফেসোকনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রিবনা, উ থাবগী থৌরম অসি হৌজিক ওইরিবা ইরমদম অসিদা উ-ৱা পাক্তক্লনা কোকথোক্তুনা পোপ্পি পান্বী থারকপনা মসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী ওইবা খল কয়া কায়থরকপনা লমদম অসিদা চহী খরগী মমাঙদগী থংন-থংনা ঈশিং ঈচাও অমদি খূদোংথিবা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। হায়রিবা অৱা অনাশিং অসিদগী খরদং ওসরবসু শাফনবা অমদি হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলগীদমক তংদু লৈতাবা, ঈশিং নুংশিৎ শেংবা অফবা মালেম অমা ওইরক্লবগীদমক পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

## নোংমদা মিনিট ৫ খক শাজেল তৌবনা পূন্সি শাংদোকহল্লিঃ রিসার্চ

ইম্ফাল, মে ১৯( ৱায়েল কাতি)ঃ নোংমদা মিনিট ৫ খক্তং ওইরবসু হকচাং শাজেল তৌবনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবগা লোয়ননা পুন্সি শাংহল্লি হায়বা তোঙান তোঙানবা রিসার্চ কয়াদগী খঙবা ঙম্লে। কা হেনবা মওংদা হুমাঙ তানা হকচাং শাজেল তৌবা নৎত্রগসু নুমিৎ খূদিংগী চাং নাইনা হকচাং লেং ওৎপগী থবক তৌবনা হকচাংগী কয়াৎ পূন্নমক মথৌ নিংথিনা তৌহনবগা লোয়ননা পূন্সি শাংহল্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা রোদ আইলেন্দদা কাইনেসিওলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোঃ নিকোল লোগান্না হায়, হকচাং লেং ওৎপগী থৌওং চথবনা অহেনবা ফেটকী শরুকশিং তুংশিন্দুনা লৈহন্দে। মশলগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা চহী য়ামশিল্লক্লবসু মশা মউ ফন্না লৈবা ঙমহল্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং স্কেন্দিনাভিয়াদা লৈবা মীওই লাক্ষ ১.৫ রোমগী মরমদা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকপনি। নোংমগী



মনুংদা মিনিট ৫ খক কাইথোক্তুনা হকচাং লেং-ওৎপগী থবক তৌরবদি য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংবগা লোয়ননা মনুং মতম চাদনা শিগদবদগী কনবা ঙম্মী।

ষ্টেদিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা নোর্ৱেজিয়ান স্কুল ওফ স্পোর্টসকী প্রোঃ য়ুএকেলন না হায়, ঙল্লবদি মীপূম খূদিংমক্না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী কাঙলোন ঙাক্ল চৎপগা লোয়ননা চয়োল অমগী মনুংদা মিনিট ১৫০ হকচাং শাজেল তৌগদবনি। কনাগুম্বা জিম নৎত্রগা স্পোর্টসতা চৎপা ঙমদ্রবসু নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক হকচাং লেং ওৎপগী থবক তৌবা মতমদা মনুং মতম চাদনা শিগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

হিরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, য়ারিবমখৈ ফমজিন্দুনা লৈবগী মতম হন্থহনগদবনি। ফম্বগী মতম মিনিট ৩০ খক হন্থবা তারবদি মনুং মতম চাদনা শিবগী চাং চাদা ৭ রোম হন্থহনবা ঙম্মী। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা হায়বসিনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিং ওইহল্লক্লবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমনি। নুমিৎ খূদিংগী অতম্নবা মতম কায়থোক্লগা হকচাং শাজেল তৌবা নৎত্রগসু খূদোংচাবা তাঞ্জা হেক ফংবগা খোঙনা চৎপা মতমদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মশাগী চহী ৬০ অমসুং ৭০ শুরবা মীওইশিংদা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেং ওৎপগী থবক তৌবা মীওইশিং পুন্সি শাংই। জিমদা চৎলগা হুমাং তানা শাজেল তৌবা নৎত্রগসু নুমিৎ খূদিংগী মিনিট মঙাদং খোঙনা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপা মতমদা হার্টকী মথৌ নিংথিনা তৌহনবগা লোয়ননা পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা অলষ্টরস য়ুনিভর্সিটিদা হেল্‌ঠ এন্দ এক্সর্সাইজগী প্রোফেসার ওইনা থবক তৌরিবা মেরি মরফিনা হায়, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা মীওইশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক খোঙনা চৎপা মীওইশিংনা পুন্সি শাংবা হেল্লি।

## ই-সেবা লোঞ্চ তৌখ্রবসু সার্টিফিকেট পীবা লেপখিবনা মহৈরোইশিং অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল মে ১৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি (দি আই টি)না হৌখিবা মে ১১ দা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা মরু ওইনা মহৈরোইশিংগী তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা চঙদবা য়াদবা সার্টিফিকেটশিং ওনলাইনগী খূৎথাংদা লৌবা য়ানবা লোঞ্চ তৌখিবা ই- সেবা মণিপুর পোর্টেল ঙসি ফাওবা সার্টিফিকেট জেনরেট তৌবা য়াদবনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিংদা খম থেংনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।

চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা কোর্সশিংদা মিং চন্নবা ফোর্ম থাজিন্নবা মতম অসিদা নৌনা লোঞ্চ তৌখিবা ই- সেবা পোর্টেল হায়বা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অসিদা মখল অমত্তগী সার্টিফিকেট জেনরেট তৌবা য়াদবা অমদি অনৌবা প্লেটফোর্ম অসি লোঞ্চ তৌরে হায়দুনা হান্নগী লৈজরম্বা ই-সার্ভিস মণিপুর পোর্টেল অদুসু সার্ভিস তৌবা য়াদবনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিংদা ও বি সি সার্টিফিকেট, দোমিসাইল সার্টিফিকেট, পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট সার্টিফিকেট, ইনকম সার্টিফিকেট অমদি বার্থ সার্টিফিকেট তান্নবদা খূদোংচাদবা অসি মায়োক্লহনবনি। অনৌবা পোর্টেল অসি লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌখিবা সার্টিফিকেট অমত্ত ঙসি ফাওবা জেনরেট তৌবা য়াদনা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হান্না য়াদুনা লৈরিবা ই-সার্ভিস মণিপুর পোর্টেল অসিসু অমুক য়াহন্নবগী থৌরাং তৌবসু লৈত্রি। ওনলাইনগী খূৎথাংদা দরকার লৈবা সার্টিফিকেটশিং মতম চঙদনা, শেল ইতিং তিদনা অমদি পাঙ্গল ৱাদনা লায়না ফংননবনি হায়দুনা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাং অসি মীয়ামদা হেন্না ৱাহন্নবা থৌরাং ওইহল্লে। ও বি সি নৎত্রগা অতৈ দোমিসাইল, পি আর সি, ইনকম সার্টিফিকেটনচিংবা লৌনবা হোৎনবদা মেন্দেটোরিনি হায়দুনা লৌগী খাজনা চহী খূদিংগী থিহনবা, ম্যুনিসিপালিতিগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী বার্থ সার্টিফিকেট লৌবদা অনৌবা চৎন-পথাপ কয়া কয়া হাপচিল্লকপনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা ওইহল্লে হায়রি।

